ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕ, ꯑꯣꯒꯁ꯭ꯠ ꯰꯸, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯳꯴ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

## হুইয়েন লানপাউ

নিংথৌকাবা, ওগষ্ট ০৮, ২০২২, ইম্ফাল

৪৬শুবা চহী, ১৩৪শুবা মশীং

## কন্টেমপ্ট ওফ কোর্ট প্রোসিদিং

### লৌখৎলকফম থোক্তবনি হায়নীংই

কন্টেমপ্ট ওফ কোর্টকী প্রোসিদিং হায়বসি লৈবাকসিগী য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমসুং ষ্টেটশিংদা লৈরিবা ৱায়েলশঙ পূম্নমক্তা করিগুম্বা মথৌ তারকপা মতমদা হেক হেক লৌখৎতুনা মরী লৈনবা ৱায়েলশিং চথনবা ৱায়েলগী প্রোসিদিং অমনি। প্রোসিদিং অসি 'কন্টেমপ্ট ওফ কোর্ট' কী লৈরিবা সেক্সনশিংনা পীবা প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না অমগা অমগগী মরক্তা খেন্নবা মেট্টরশিংগী মতুংইন্না কোর্টশিংদা ফাইল তৌনরকপদগী কোর্টশিংনা এগজামিন/স্ক্রুটিনি তৌরবা মতুংদা লৌখৎলগা চথনরকপনি। লৈবাকসিগী ৱায়েলশঙ অপূম্বগী ওইবা ৱাফমনি। হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী অমসুং মসিগী সর্বোদিনেট কোর্টশিং খত্তগী ৱাফম নত্তে। অদুগা কন্টেমপ্ট ওফ কোর্টকী প্রোসিদিংশিং লৌখৎপগী মওং-মতৌ অমসুং লৌখৎনবগীদমক মতিক চাবা মরমশিংসু অমগা অমগা খেন্নবা লৈ, মান্নদে। কোর্টনা পীবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরদা য়াওবা দিরেক্সনশিং লান্না ৱাহন্থোক পীদুনা ওন্ন-তৈননা চৎহনবগী মায়োক্তসু লৌখৎপা য়াই। লৌখৎপসু য়াওই। অদুগা কোর্ট অমনা পীবা অকক্নবা মতমগী মনুংদা থবক্তা কমপ্লাইএন্স পীদুনা ওন্থোক্কদবা থবক অমা পাঙথোক্তবদগী কোর্টতা ফাইল তৌরক্তুনা লৌখৎপসু য়াওই। সব-জ্যুদিশ ওইহল্লকপা থৌওংশিংগী মায়োক্তা লৌখৎলকপসু য়াওদবা নত্তে। অদুবু খ্বাইদগী তোয়না থোকপদগী মীয়াম্না তোয়না থেংনবা কোর্টকী কন্টেমপ্ট প্রোসিদিংশিংগী মনুংদা মরু ওইনা লৈঙাক্কী মকোক থোংবা অমসুং মরী লৈনবা ওফিসলশিংদা কোর্টনা থবক্তা ওন্থোক্নবা দিরেক্সন পীবা ওর্দরশিং থবক্তা ওন্থোক্তবদগী লাকপা কন্টেমপ্ট প্রোসিদিংশিংনা মশীং য়াম্না থোরকপগুম্না তৌই। মসিদি দেমোক্রেসিগী লৈঙাক্লোনগী ফুঙ্গা নূঙদুম অহুমগা পাঙ্খক্নরিবা জ্যুদিসিয়ারি, লেজিসলেটিভ অমসুং এগজিক্যুটিভকী মরক্তগী জ্যুদিসিয়ারিগা এগজিক্যুটিভকগী মরক্তা অফবা মরী থমদবা অমসুং কাথোক্নবগী ফীভমনি হায়না লৌবদা লানগদ্রা?

মসিগী মরমদি পীক্লবা মণিপুরসিদা কন্টেমপ্ট ওফ কোর্টকী প্রোসিদিং লৌখৎপগী থৌদোক য়াম্না তোয়না থোকপগুম তৌরি। অদুগা অয়াম্বনসু প্রোসিদিংশিং অসি কোর্টতা ৱাকৎলকপা পিটিসন অমগী মতাংদা কোর্টনা মরী লৈনবা রেসপোন্দেন্টশিংদা নোটিস পীরবা, নোটিসশিংদুগী পাউখুম পীখৎলক্লবা, পিটিস্নরগী মায়কৈদগীসু কাউন্টর এফিদেভিট য়াওনা নাকল অনীনা রিজোইন্দরশিং ফাওবা ফাইল তৌনরকপদগী অসিগুম্বা ময়ামসিদা য়ূম্ফম ওইদুনা ৱায়েল (ত্রাইএল) চথরগা পীরকপা জজমেন্টতা য়াওবা দিরেক্সনশিং থবক্তা ওন্থোক্তবগী মতাংনা হেন্না নম্বগুম তৌরি। মসিবু কোর্টনা পীরকপা ৱায়েলবু মীচং-শঙ্গল নাইবা নাকল নাম্মতগী ওইবা ওর্দরনি হায়না লৌবদগী ওইগদ্রা? তশেংনমক কোর্টকী দিরেক্সনশিংগা মরী লৈনবা থবকশিং পাঙথোক্নবা খঙহল্লকপদা এগজিক্যুটিভশিংনা ৱাখল্লোন অসিমক খনবা নৎত্রগা চেনবদি অরানবা ওইগনি। কোর্টনা পীরকপা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর হায়বসিদি মরী লৈনবা লোগী প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না অমসুং মমাঙথক্তা লৈখিবা ৱায়েলশিংদগী ঙাক্লৌ লৌরগা পীফম থোকপগী পীরকপা ঙাক্তনি। হোয়, ৱায়েল শঙনা পীরকপা ৱায়েলদা পূক্নিং লূমদবা য়াওরক্লগদি রিভিজন পিটিসন/আপীল ফাইল তৌবা য়াই। লৈবাকসিগী খ্বাইদগী ৱাংলবা ৱায়েলশঙ ওইরিবা সুপ্রিম কোর্টকী থোঙজিন্দা ফাওবা লেপ্লুবা য়াই। মতম চানা অপীবা মতমগী মনুংদা তৌহৌদ্রবসু মদুগীদমক অয়াবা লৌবসু য়াই। অদুবু মসিমকসু পাঙথোক্তনা কোর্টনা পীরকপা থবক্তা ওন্থোকউ হায়বা থবকশিং হঞ্জিন-হঞ্জিন হায়বদা তৌদবদগী কন্টেমপ্ট প্রোসিদিং লৌখৎলকপা অমসুং কোর্টতা মশা লাক্নবা খঙহল্লকপনচিংবা য়াওরকপদি থোরকহনফম থোক্তবা থৌদোকনি হায়নীংই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৭

১) **"পরিনীতা (লুহোংলবী নুপী)"** হায়বা ১৯৬৮দা অহানবা ফোঙবা লাইরিক অসি কনানা ইবা করি লোলগী ওরিজিনেল লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

২) **"মৈতৈ জগোই ১৫শুবা শরুক"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৩) **"মেহরু"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) **"নুপী/নহাক্কী পুল্লিবা শম্বুলগী মনুংদা/য়াওরি পারী-পুরিগী চয়োমসু/ য়াওরি মণি-মুক্তা কয়াসু/হয়েংগী নুমিৎসু।"** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

৫) **"শামু ময়াগী কংক্র ঙান্থক"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৬, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## লৌমীশিংগী কাখল

# ফৌগী মতাং কাবী লায়নাবু ফৌমাং ওইনা লৌবা

ডা: এম থোইথোই সিংহ

মমাঙঙৈদা কয়া মরু ওইরমদবা ফৌগী মতাং কাবী লায়নাসি ঙসিদি লৌফম খুদিংদা লৈরে। লায়নাসি তাদবা লৌকোন অমফাওবা লৈত্রে। লমদমসিগী ওইনা য়াম্না মরু ওইবা লায়না অমা ওইরে। লায়না অসিদগী চেকশিন্দবা য়াদ্রে। অদুমকপু লায়না অসিগী চপ চাবা মওং খঙদবনা ফৌমাং নৎত্রগা উরিচাক ফৌমানবীগুম লৌনবসু য়াওরি। লায়নাসি তাগনবা ফৌ মখলশিংগী মনুংদা RC Maniphou 13 সু অমনি। ফৌ মখলসিগী অফবা মগুন ময়াম অমা লৈবনিনা মীয়াম্না পাম্না থানৈ। ফৌদিদা হীদাক তোৎহৌবশিংদি লায়নাসি তাবগী চাং য়াম্না হন্থে। হীদাক তোৎহৌদবা ফৌদিগী লৌফমশিংদা দোলান শাবগুম উরিবসি ফৌমাং নত্তে, লায়নানি।

লায়না অসিনা নারবা ফৌ পান্বীনা ময়ামগা মান্নদবা মওংদা খঙচাউ চাওখৎলকই খরা লৈরগা খুইথরক্তুনা শি। মরম অসিনা লায়না অসিবু অপঙবা চারা, জপান লোন্দা বাকানা হায়না খঙনৈ। লায়না অসি ফুজেরিয়ম মোনিলিফোর্সি হায়বা কোকফাই শুজ ানা থোকহল্লি

**লায়ওং :** লৌহোন ওইনা লৈরিঙৈদা ঈশিং লৈবা মফমদগী ঈশিং তুংদবা মফমদনা হেন্না লায়না অসি তাই। ময়োন থিনগৎলকপা পংকুই কুইদ্রিবা মরূ (ফৌদি) ঙাংলৈনবা নৎত্রগা অঙৌবা মচুগী কোকফাইশিংনা হাৎপা উগনি। অদুগা নারবা পান্বীশিংনা ময়ামগা মান্নদবা মওংদা য়াম্না থুনা চাউখৎলকই। পান্বীদু নাপু চংলপ তৌনা মতাং কানা/শাংনা ইনখৎলকই অমসুং কংশিল্লক্তুনা লিংথোক্ত্রিঙৈদা শি।

লিংথোক্লবা মতুংদসু পান্বী খরদি মথক্কী লায়ওংশিং অসি উৎলকই। ফৌ পান্বীগী মতাংশিং অদুদা মরা থোরকই। অদুবু অয়াম্বনা অসিগুম্বা মতাং শাংবা অৱাংবা পান্বীশিংসিনা মপান শাৎপগী তাঙ্কক য়ৌবা ঙমদনা শিখি। হিংহৌবশিংদুনা ময়ামগা মান্নদবা মওংদা ঙন্না মপাল শাই অদুবু মহৈ য়ানবা ঙমদে। খুইথরবা নৎত্রগা লিরবা পান্বীগী মখোঙদা ঙাংলৈননা ঙৌবা মফোলগুম্বশিংনা কুপশিন্দুনা লৈ। মসিদা কোকফাই শুজা অসিগী মরূ কোনিদিয়া মিলিয়ন কয়া য়াওই।

**করম্না পান্বীশিংবু য়াম্না থুনা চাউহল্লিবনো অমসুং খঙহৌদনা খুইথহল্লিবনো ? :**

নারবা ফৌ পান্বীদুদা লায়না থোকহল্লিবা কোকফাই মখল অসিনা য়াম্না মরু ওইবা পোৎলম অনী পুথোকই।

১) জিবেরিলিক এসিদ - মসি পান্বীবু য়াম্না থুনা চাওখৎহনবা ঙম্বা পান্বীগী হোর্মোননি। মসিনা পান্বীবু ময়ামগা মান্নদবা মওংদা য়াম্না থুনা চাওহল্লি। মতুংদা ময়ামগা মান্নদবা মওংদা য়াম্না ৱাংলবা ফৌ পান্বীদুদা তারিবা কোকফাইদুমক্লা - ২. ফুজেরিক এসিদ শুংদুনা পান্বীদুবু খুইথহল্লি; শিহল্লি। মসিমক্লা লায়নাসি নারবা পান্বীবু অপঙবা চারা (বাকানা) হায়না খঙনৈ।

**লায়না অসি লৌবুক্তা হন্না হন্না উবগী মরম :**

লায়না অসি ফৌদিদা লোয়নরকপা/চেন্নরকপা লায়নানি। লায়না অসিবু থোকহল্লিবা কোকফাই শুজা অসিনা ফৌদিগী মনুং অমসুং মপান অনীমক্তা পক্লকপা/চেন্নরকপা ঙম্মী। কোকফাই শুজা অসিগী মরূ কোনিদিয়াশিং নুংশিৎনা মফম অমদগী মফম অমদা পুদুনা মথংগী ফৌদিদা চেন্নরকই। নৎত্রগা নুংশিৎনা স্পোর অদু পুদুনা লাক্লগা ফৌ মপাল শাৎপা মতমদা মপালদা নপহল্লি। মফমদুদা কোকফাই শুজা অসিনা মতোন থোরক্তুনা ফৌদি ওইগদৌরিবা ফৌদুদা য়াওশিনখি। মথি ফোংদনা লৈশিনখি। অদুবু মথংগী কুমজা অসিগুম্বা ফৌ মরূদগী হৌরকপা পান্বীদুদি লায়না অসিনা নাই। ফৌদিনা লৌবুক য়ৌদ্রিঙৈ মতমদা অসিগুম্বা কোকফাই শুজা অসিনা ফৌদিদা মনুং অমসুং মপান অনীমক্তা য়াওরক্লবসু কোকফাই শুজা অসিগী মপাঙ্গল ইকন কন্দবনা ফৌদিদা হিদাক তোৎতুনা ইকোম কোম্না হাত্তোকপা য়াই। লায়না অসি তাবগী চাং য়াম্না হন্থহনবা ঙম্মী।

**লায়না অসি তাগনবা ফৌ মখল :** অখনফৌ, জায়া, আই আর - ৩৬, আর সী মনি ফৌ ১৩নচিংবনি।

**লায়না অসিদগী কন্নবা পাম্বৈশিং :** ফৌগী লায়না খুদিংমক্তগী মতাং কাবী হায়রিবা লায়না অসিনা ঙাকথোকপদা খ্বাইদগী হেন্না লায়বা লায়নানি। ফৌদিদা হীদাক তোৎপখক্তনা লায়না অসি তাবগী চাং অসুক্কী মতিক হন্থহল্লি। মসিগীদমক Combi Sol গ্রাম ২০ ফৌদি কিলোগ্রাম ১০ খুদিংদা তোৎপা য়াই। তোৎপগী মওংদি কংহুনগীদমক কংনা তোৎপা নৎত্রগা পাম্ফেল অমসুং লৌহোনগীদমক তীংলুরবা মতুং ওন্নমদাইদা তোৎলবা মতুং ওন্বা য়াই।

লায়না অসিনা নারবা ফৌ পান্বীশিং হায়বদি য়াম্না থুনা মতাং কাদুনা ৱাংখৎলকপা পান্বীশিংদু ফুক্তোক্তুনা মাঙহনগনি। অসুম্না তৌরবদি লায়না অসি মখা তানা থংনবা পান্বীশিংদা শন্দোক্কদবদগী কনবা ঙমনি। লায়না অসি ঙাকথোক্লবগী চপ চাবা মতম হায়বসি থারমদাইদা হীদাক তোৎপগী মতমসিনি। ঙসিনা লায়ওং খঙদোকপা অমসুং মথং চহীদা তাদনবা হোৎনবসিনি হায়বা ৱাফমসি থমজগে। ●

# হকচাং ফনা লৈনবা কিটচন গার্দেন

- এস সুমঙ্গল -



কিটচন গার্দেন হায়বসি মীয়াম্না ইখঙ খঙনরবা/তানরবা অমনি হায়না লৌজে। অদুমকপু মসি শমলপ্না/চাওরাকপা অমদি থমজবা অদুমক কান্নগনি খল্লি। ইমুং অমগী নোংমগী মথৌ তাবা চাকখুমগী এঙ্গাংগীদমক কোন্নবা য়াবা মওংদা য়ূমগী মচি ময়াদা লৈজবা লম খরা শীজিন্নদুনা মনা-মশিং খরা থাবা অদুবু কিটচন গার্দেন হায়রগা খঙনৈ। হৌজিক্কী মতমদদি কিটচন গার্দেনবু হোম গার্দেন নৎত্রগা হোমষ্টিদ গার্দেন হায়নসু কৌনরে। ন্যুত্রিশনেল গার্দেন হায়বা অমসু হৌজিক য়াম্না চথরক্লি। মখোয়শিং অসি মুন্না খল্লুরগদি অমত্তনি হায়না লৌবসু য়াই।

**কিটচন গার্দেনগী কান্নবা খরা খঙজিনমিন্নসি ঃ**

**ক) হকচাংগীদমক ঃ** য়ূমদা মনা-মশিং খরা থাবনা অশেংবা অতেকপা, হু চেন্দবা মনা-মশিং কয়া অমা মতম চুপ্পা লেপ্তুনা ইমুং অমদা ফংহল্লি। মসিনা হকচাংগী কান্নরবা মচন কয়া অমগী কান্নবা ইমুংদুদা পী। খঙজদবদগী কনাগুম্বা লৌউ-শিংউ তৌরিবা ইচিন ইনাও অমনা পুথোরকপা মনা মশীংদা হু চেল্লমগদ্রা হায়বগী অকিবা অদুসু লৈররোই। অমোৎ অকাই মরক্তা থাবা ওইরমগদ্রা হায়বগী চিংনবা অদুসু কোক্লনি। কয়াদা ৱাখল শেংনা পূক্নিং লৈতানা লৈবা ফংগদৌরিবা। ইশানা থাজরবনিনা মশা মউ ফবা পান্বী ওইদুনা হকচাংদা কান্নরবা মচল শুনা য়াওরনি, মদু চাবনা হকচাং ফনা থম্বসু ঙমলনি।

**খ) শেল থুমগী মতেং ঃ** নোংমদা ময়ায় ওইরপ্না চাউবা ইমুং অমদা এঙ্গাংগীদমক শেল কয়া য়াম্না চঙবগে হায়বদু চাকখুম পানরিবা ইমুংগী নুপী নৎত্রগা চাকখুম পানরিবা মীওই অদুতনা খঙলমগনি। ইমুং অমগী অচঙবা শেলগী শরুক কয়া অমদি কিটচন গার্দেন্দগী পুথোকপা পোৎলমশিংনা কনবা ঙম্মী। মসিদগী কল্লকপা শেলনা অতোপ্পা মরুওইবা কান্নগদবা মফমদা শীজিন্নবগী খুদোংচাবা অমসু পীবা ঙমলনি। অসুম্না হোমষ্টিদ গার্দেনখক্তনা চাইনাদদি মখোয়গী অপূনবা মনা-মশিংগী পোথোক্কী চাদা ২১ দি পুথোক্লিবনি। য়ু এসতা অসুম্না পুথোকপখক্তনা য়ু এস দোল্লর বিল্লিয়ন অমা কান্নহল্লি হায়রি। কয়াদা মরু ওইখ্রবনো।

**গ) এইস্থেটিক ভেল্যু (ফজবা য়েংবগী পূক্নিং হকচাংদা পীবা কান্নবা) ঃ** য়ূমগী মচি-ময়াদা মনা-মশিং থাবনা মদুগী ফজবা পূক্নিং হকচাংগী নুংঙাইবা কয়া অমা পী। মসিনা পূক্নিং শান্তি লৈহল্লি, তেন্সন কোকহল্লি। অসুম্না ইশানা থাজবা পান্বী অমা মকা লাম্না নিংথিনা ফজনা হৌরকপা অদুবু য়েংজরগা পূক্নিং ৱাখল ইংনা তপ্না নুঙাইনা মতম ঙাইহাক লেনবা অসিসু য়াম্নমক মরুওইবা হিংবগী তঙাইফদবা মচাক অমা ওই হায়বসি খঙজদবা মীয়ামদা খঙহনবা মরুওই খল্লি। মসি হৌজিক্কী মণিপুরগী ওইরিবা চরাংনবা, পূক্নিং লৈতাদবা ফীভম কয়া অসিদদি অমুক্কা হেন্না মরুওই হায়জনীংই। য়ূমগী মীওই অমদা, মতম লেনফম খঙদনা অরেম্বদা মতমগী মমল খঙদনা নৎত্রগা তৌফম খঙদদুনা মতম্থু মাঙহল্লিবা মীওইশিং অমদি মরুওইনা অঙাংশিংদা মশাগী হৈনবী ওইনা পাঙথোকপা মতমদা অরেম্বদা মতম মাঙহন্দবগী হৈনবী অমা শেমগৎপগা লোয়ননা অঙাংশিংগীদমক্তদি মমা মপা ওইবশিংদা মতেং পাঙবগী হৈনবী অমসু শেমগৎপা ঙমহনগদৌরিবনি। পূম্নমকশিং অসি য়াম্নমক মরুওইবা অমনি হায়না লৌজে।

**মফম ঃ** য়ূমগী মনিং ময়াদা লৈজবা লম খরদা, য়েনখা মখা থংবা নৎত্রগা শুমাং মতোন্দা অফংবা লম খরদা অদুমক পায়খৎপা য়াই। মসিনা য়ূমগী ফজবা লৈতেংশু অদুমক ওইহনবা য়াই। তৌবতবু উরূম লাংদবা মফম খনবা ফৈ। উরূম ওইরগনা উরূমদা থাবা য়াবা পান্বী খনবা তাই। খুদম ওইনা শীং, য়েন্দেম, উ মোরোক, নপাকপী পনবা য়াই। নিংথিনা লুনা নান্না শেম্বীরবদি য়েংবদা ফজবা ঙাক্তনি।

**থাবা য়াবা পোৎলমশিং ঃ** মতম মতমগী ওইবা মরোই মপাং, মোরোক, ভেলন্দ্রি, কোলি হৱাই মরী চৎপী, চত্তবী, হঙ্গাম, হৱাই অশাংবী মরী চৎপী নৎত্রগা চত্তবী, শৌগ্রি, কোবী মখলশিং, ব্রোকোলি, অফবা মখলগী চেংক্রুক মনা, পালক, লেত্যুজ (হঙ্গাম অঙৌবা কৌরগে) খামেন অশিনবী লোয়ননা অতোপ্পা কয়া অমা থাবা য়াই। মখোয়গী মনুংদা উহৈ মখল খরা খুদম ওইনা মতমদা পাঞ্জগদবা অৱাথবী, হৈনৌ, পুংদোন, হৈখা, চুম্ব্রে, কফোই অসিনচিংবা কয়া অমসু য়ূমগী মচিদা থাননবা পনবা য়াই। মখোয়দা হকচাংদা কান্নরবা মচন কয়া অমা য়াওরিবনি।

**ফংফম ঃ** হৌজিক্তি চারা কয়া অমা মতম মতমগী ওইনা কৈথেলদা অদুমক ফংলে। অয়াম্বনা অফবা মখল ওইগল্লি। কোবিলৈ চারা লৈবা মতমদদি খরা চেকশিন্না লৈবা তাই। মরমদি ধারা অমদি থাবগী মতম ওন্নরবদি শোয়গল্লি। মশক খঙবা থাজবা য়াবা মীওইদগী লৈবা ফৈ। চানবা মখলদি মে-জুন্দা-হিমলতা, শিগ্রা, হ্বাইট শোট অসিনচিংবা পনবা য়াই। ময়ায় ওইনা থেংবদা (জুলাই লোইরকপা ওগষ্ট) - স্নো হার্ট, শিগ্রা, হ্বাইট ফ্লাশ পনবা য়াই। অথেংবগীনা (সেপ্টেম্বর-ওক্টোবর) স্বেতা, স্নো বোল, কেন্দিদ চার্ম অসিনচিংবা পনবা য়াই। ব্রোকোলি ওগষ্ট-সেপ্টেম্বরদা থাবা য়ারে। মখলদি - গ্রীন মেজিক, প্রিন্সেস, আইশ্বরিয়ানচিংবা পনবা য়াই। ভেলন্দ্রি ফেব্রুৱারী-মার্চতা য়ারে । মখল খরা পনবা তারগদি - অর্কা অনামিকা, য়ু এস - ৭৯০২, ভিন্দি নং ১, বসন্তি অসিনচিংবা পনবা য়াই। অর্কা অনামিকা হাইব্রিদ নত্তে অদুবু য়াম্না চাথোক লৈবা মখলনি। অতৈ মখলশিংদি হায়ব্রিদনি। থবিদি অইংবা মতম নত্তনা মতম পূম্নমক্তা থাবা য়াই। খামেন অশিনবা য়াম্না ইংবা অমসুং য়াম্না শাবা নত্তনা অতৈ মতমদা অদুমক থাবা য়াই। কোলি হৱাই, হৱাই অশাংবি ফেব্রুৱারি-মার্চ, জুলাই-ওগষ্টতা অদুমক থাবা য়াই। মোরোক মতম নাইদে, মতম চুপ্পদা চারাবু ফংলবদি থাবা য়ারে। লেট্যুজ ওগষ্ট-সেপ্টেম্বরদা থাবা য়ারে। অতৈ পনবা য়াবদা নিংথম মতমদা থাবা য়াবা গাজর, হঙ্গাম মুলা, মেথি পনবা য়াই।

**শেম শাবা ঃ** লম মচেৎ খরখক্কী ওইবনা শেম শাবসু লায়। ষন্থি-ষণয়ুংগী হার, কম্পোষ্ট, ভর্মি কম্পোষ্ট য়াম্না লায়না ফংগনি খল্লি। মসিনা অফবা পোৎ পুথোকপা ঙমগনি। মখোং শোম্বীবা, ঈশিং চাইবীবা, নাপী পেংবা খুদিংমক মথৌ তাই। থৱায় য়াওনা হোৎনরবদি য়াম্না লায়বা ঙাক্তনি।

**লায়না-তীলনা ঃ** কিটচন গার্দেনগীদমক তীল ঙাকথোকপদা হু চেনবা হীদাক শীজিন্নবগী মহুত্তা খূৎনা ফাদোকপনা খ্বাইদগী ফৈ হায়জনীংই। তঙাইফদনা লায়নাগীদমক শীজিন্নবা তারবসু ওর্গানিক্কী ওইবা বোটানিকেল নৎত্রগা বাইও এজেন্টশিং শীজিন্নসি। তীলগীদমকসু বাবা, মাইকোজাল, বাইও এম পাৱর, সিগ্নেচরসিনচিংবা পনবা য়াবা হীদাকশিংনি।

লৌউ কাঙলোন অতৈ খুদিংমক অতৈ অচৌবা লৌফমদা থাবগা অদুমক মান্নে। অমা লোইরমদাইদা অতোপ্পা অমা থাজিনবা (রিলে ক্রোপ্পিং), ফৈদোম অমত্তদা মখল অনী পরেং নাইনা থামিন্নবা (ইন্টর ক্রোপ্পিং), মখল-মথেল থাবা (ক্রোপ দাইভরসিফিকেসন) কুম কাঙহন্দনা মথং মথং থাবা (মলটিপল ক্রোপিং) অসিনচিংবা খুদিংমক য়াই।

পায়খৎপা য়াবা অতৈ থৌরমশিংদি মচি ময়াদা ভার্মি কম্পোষ্টিং হায়বদি তিন্থ্রোক য়োকপা য়াম্না কান্নগনি খল্লি। মসিনা চাকখুমগী অরেম-অপা, নাপি-শিংনা, উনা-ৱানা খুদিংমক কংহল্লগা

পৈশিন্দুনা খরা পথরবা মতমদা তিন্থ্রোক্তা পীজদুনা হার ওন্থোকপা য়াই নৎত্রগা কোম মচা অমা শেমদুনা মদুদা হাপচিন্দুনা পথ্র পুমথহল্লগা কম্পোষ্ট ওন্থোকপা য়াই। মসিনা লম-তু নান্না থম্বদসু মতেং ওইগনি। কনা কনাগুম্বনা লো পোলি টনেল শেমদুনা মদুদা পোৎ চৈ থাবা ঙম্লবদি মতম নাইদনা পোৎ চৈ থাবা য়াগনি। মসিদি খরা খঙবা চঙই।

**ঈশিং চনবা ঃ** ঈশিং কা হেন্না চাইবসু ফত্তে। ৱাৎলবসু ফত্তে। ঈশিং লিকপা মফমদা ঈশিং চাইবগী অৱাবা কোকনবা মলচিং তৌবা য়াই। মলচিং হায়রগা পোৎ থারিবা ফৈদোমশিং নৎত্রগা পান্বীগী মখোংশিংবু হাপু-হরাং নৎত্রগা প্লাষ্টিক্লা ঈশিং চাইরবা মতুংদা কুপ্তুনা থম্ববু খঙনৈ। মসিনা ঈশিং কুইনা পান্বীদা ফঙহল্লি লোয়ননা নাপী হৌহন্দে। করিগুম্বা মতমদা মশক খঙদবা লায়না তীলনা তারক্লবদি অখঙ অহৈ তানবসু কান্নগনি।

থারিবা খরা অসি লৌশিনবিদুনা কিটচন গার্দেনগী কান্নবা লৌমীন্নরসি।

অসুম্না কান্নবা কয়া অমা পীরবা কিটচন গার্দেন অসি খুদোংচাবা লৈবা মীওই খুদিংমক্লা পায়খৎলবদি পূম্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি খল্লি। লম মচেৎ অমা ফাওবা লৈজদবা মীওই ফাওবা গল্লা, বোরা নৎত্রগা অতৈ পোৎলম শীজিন্নদুনা থারবদি মদুদসু কান্নবা অদুমক ফংগনি খল্লি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।